### ৭শুবা ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট

# শিংজমৈ-এ কাংখূৎনা শিংজমৈ-বি কাংখূৎপু মায়থীবা পীরম্লগা সেমী চঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ শিংজমৈ কাঙখূৎ চীংঙা-মথকনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমদি পুন্যবতিগী মীংদা হরে কৃষ্ণ অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংনা স্পোন্সর তৌদুনা চথরিবা ৭ শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা শিংজমৈ -এ মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

কাংখূৎ ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ৭শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি শিংজমৈ-এ অমসুং শিংজমৈ -বি কাংখূৎ শান্নখি।

অকনবা লম্বা তৌনদুনা সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক কাপ্লখিবা কাং অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা শিংজমৈ কেন্দ্র-এ কাংখূৎনা শিংজমৈ কেন্দ্র -বি কাংখূৎপু পাঞ্জল ২৭-৮দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অরোইবা টিম ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা হয়েং ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র অমসুং কুম্বী কেন্দ্র শান্নগনি। সেপ্টেম্বর ২৯দা কৈশামথোং কেন্দ্র অমসুং হৈঙাং কেন্দ্র শান্নগনি। সেপ্টেম্বর ৩০দা ওইনাম অমসুং খুন্দ্রাকপম অমদি ওক্টোবর ২দা শিংজমৈ-এ অমসুং শিংজমৈ-বি শান্নগনি হায়রি।

# ত্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ ইন্দিয়ন বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেসন (আই বি বি এফ) না শীন্দুনা মুম্বাইগী এগজিবিসন সেন্তরদা ওক্টোবর ১২দগী ১৪ ফাওবা নুমিৎ হুমনি চূপ্লা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এফ বি বি দাইমন্দ কপ ২০১৮দা শরুক য়ানবা মণিপুর বোদিবিল্ডর টিম শেম্নবগী ত্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি।

আই বি বি দাইমন্দ কপ ২০১৮ অসিদা মেন্স বোদিবিল্ডিং, মেন্স ফিজিক, মেন্স ক্লাসিক বোদিবিল্ডি, ৱিমেন্স বোদিবিল্ডিং, ৱিমেন্স ফিজিক অমদি ৱিমেন্স ফিটনেস হায়না কেটেগোরি তরুক থোক্লা খাইদোক্তুনা চাংদম্নগনি। কেটেগোরি তরুক অসিগী ওইনা প্রো কার্দ ১২ ওর্গেনাইজিং কম্মিটিনা পীগনি হায়না ওল মণিপুর বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসন (এ এম বি বি এ) গী জোইন্ট সেক্রেটরি ও প্রেমকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়রিবা কপ অসিদা মণিপুরগী বোদিবিল্ডর টিম শেম্নবা ত্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ৩০গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্কী অম্বা ওফিসতা পাঙথোক্কনি। ত্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানীংবা মণিপুরগী শাফবা-শাফবীশিংনা অকূপ্পা মরোলগীদমক অম্বাগী জোইন্ট সেক্রেটরিদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

### ১৮শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮

# খুলপু অমসুং এফ সী দাংসা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ মাইপৌ সোক্কর য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (এম এস ৱাই দি ও) না ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসন (এ এম এস এ) গী মীৎয়েং মখাদা চহী খুদিংগী লেপ্পুনা পাঙথোক্তুনা লাকপগুম কুম্সি চহীগী ওইনা ১৮-শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা খুলপু অমসুং এফ সী দাংসা মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী টিম ৬৫না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা খুলপু অমসুং এস দি সী শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নদনা টাই ব্রেক তানদুনা পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা খুলপু টিম্না এস দি সী টিম্বু গোল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচ ওইনা নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা এফ সী দাংসা অমসুং পিছ লেন্দ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা ফজনা শান্নখি।

অহানবা হাফকী ১০শুবা মিনটতা এফ সী দাংসাগী জর্সি নম্বর ৯ আই মাত্রেংনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনশিন্দুনা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। পিছ লেন্দগী মায়কৈদগী এফ সী দাংসানা মাঙজিল থারিবা গোল অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা পিছ লেন্দগী শান্নরোয়শিংনা এফ সী দাংসানা অহানবা হাফতগী মাঙজিল থাদুনা লাল্লিবা গোল অদু হন্দাক্নবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী ৫২শুবা মিনটতা এফ সী দাংসাগী আই মাত্রেংনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু গোল ২-০দা মহাক্কী টিম্না মায় পাকখি।

# ইন্টর স্কুল ফুটবোল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচএন এস) ঃ নোনে দিষ্ট্রিক্টতা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ২৯ ফাওবা সিভিল এক্সন প্রোগ্রামগী মনুং চন্না ১৪৩শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা ইন্টর স্কুল ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল রেঞ্জকী দি আই জি পি বৃগেদিয়র এস কে শর্ম্মা, ১৪৩শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট লালচান্দ য়াদব অমসুং রোংমৈ নাগা মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট কান্নন কামৈনা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ১০না শরুক য়াদুনা অথোইবা তান্নরি। মায় পাকপা টিম্না শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশীং ১০ অদুগা রন্নর্স-অপ তাবা টিম অদুনা লুপা লিশীং ৫গী কান্নবা ফংগদৌরি। টুর্নামেন্ট অদুদা শান্নরোয়শিংদা ফিজোল লেম্না শিল্লি লাংলিবশিংনা য়েন্থোকখি।

# শান্নরোয়গী ত্রান্সফর য়ানবা হায়জরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোক্লদুনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসনশিংগী মরক্তা ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী ত্রান্সফর তৌনবা অদু হায় কোর্টনা থিংজিল্লিবা অসি লৌথোকপীনবা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অসিদা পাঙথোক্কদবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট টুর্নামেন্ট অমসুং ইন্টর ক্লব প্লেয়র ত্রান্সফর অথুবা মতমদা মমাঙদা থিংদুনা থল্লিবা অদু লৌথোকপীদুনা শান্নববু নুংশিবীদুনা য়াহনবীয়ু হায়না চেরোল অসিনা মখা তারদুনা শান্নরোয়শিংবু নুংশিবীয়ু হায়রক্লি।

# মিরাবাই চনুবু থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ ইন্দিয়াগী চহী খুদিংগী খ্বাইদগী ফজবা লৈবাক অসিগী শান্নরোয় পীবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা ওইরিবা রজিব গান্ধী খেল রত্না এৱার্দ ফংখ্রবী মণিপুরগী ৱেটলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুবু তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি।

মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না থা অসিগী ২৫দা ন্যু দেল্লিদা সাইখোম মিরাবাই চনুবু ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্না রজিব গান্ধি খেল রত্না এৱার্দ পীখিবা অদুদা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ২০২০ টোকিও ওলেম্পিক গেমসতা মহাক্কী মায়কৈদগী অফবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্নবা য়াইফ পাউজেল পীখি।

অতোপ্পা চেরোল অমদা ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক ককচীংনসু মিরাবাই চনুনা রজিব গান্ধী খেল রত্না এৱার্দ ফংলকপদা হরাউবা ফোঙদোকপগী পাউজেল পীরক্লি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা সাইখোম মিরাবাই চনু কুম্জা ২০১৭তা য়ু এসকী অনাহেমদা পাঙথোককখিবা ৱর্ল্ড ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল ফংলকখিবা অমদি চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেলথ গেমসতা গোল্ড মেদল ফংলকখিবা অদুগী ফজবা অদুবু য়েংলগা পীরকখিবা খেল রত্না এৱার্দ অদু মতিক চাবনি। মখা তানা লিফটর অসিনা শরুক য়াগদৌরিবা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিসনশিংদা অহেনবা পুরকসনু হায়না য়াইফ থৌনিখি।







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com